# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২

**- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -**

ঙসিদি মীচম মীয়ামসু খরমখৈদি ৱাখল তানরক্লে। অদুম ওইনমক মতম শাংনা হৈনরক্লবা, শেঞ্জা-থুমজাগী কল্লবা মরমসিদা খঙনা-খঙনা, উনা-উনা চহী লিশাং শিৎনা লাইচুরক্লবা মীচম মীয়াম পাক হেক থাদোকপা ঙম্লদ্রি। মসিমক মণিপুর মীয়াম লায়রবগী হৈনরক্লবা শিনফম ওইনা লৌনরকপগুম হেক থাদোকপদি তরাইবা ওইরোইদৌরি। মসিমক্তা মীয়ামগী খ্বাইদগী লাইবক থীবা ওইগদৌরি।

হৌজিক্কী মতমদা অচুম্বা চৎপা, অচুম্বা ঙাঙবা মীগী মশীং কয়াবু লৈরিবগে। অঙাংদি নিংথাদা খঙই হায়বগুম বি জে পিগী লুচিংবা ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহানবা মণিপুরদা লাকপদা লাংজিং চীংগী লম্পাক্তা ঙাঙলম্বা, লাউরম্বা, থাগৎতবা মণিপুরী কনাসু য়াওরম্লোই। শেঞ্জা-থুমজানা লাকহৎলবা মণিপুরীশিংগী থম্মোয়দা শ্রী মোদিনা লাউরম্বা কয়ানা খোইরাং খোইশাওনরবা মীয়াম মহাক্কী ৱাঙাঙ কয়াদা পংথদবা য়াওখিদে। মতম শাংনা কোংগ্রেসকী সাসন তৌরম্বশিংনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা থল্লম্বশিং ঙসিসু কাউনদ্রি। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী শেঞ্জাও-পায়বা করবার ৱালাশিং মোদিগী ৱাঙাঙদা খূবাক খুনদবা য়াওরমগনি নীংদে। মতমদুগী কোংগ্রেস পার্টিশিং মনম লৈবাক তারকখিদ্রবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা মোদিজিগী ৱাঙাঙ অদু ফাগি ওইনা লৌনখিদবদি নত্তে। পোলিটিকেল পার্টি হায়বসি ওমর ফমদি নত্তে। মালেমদা খ্বাইদগী মচিন থীবশিংগী মনুংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা নম্বর ৱাননি। মীয়ামসু খঙই। অদুবু খঙনা-উনা কনানসু লৈথোকপদি ঙম্লদে। মতমদুগী কোংগ্রেস পার্টি খুদিংমক মাগী ৱাঙাঙদুদা পেন্দবদি নত্তে। অদুম ওইনমক থাজদ-থাজদ মতমগী মতুংইন্না ইলেক্সন লাক্লে। ইলেক্সনদুদা ৱাজাও ঙাঙলম্বা, মতম শাংনা পোলিটিকেলগী শরৌ লাং মশক মুন্নাখঙলবা বি জে পি থাজদনা মায় পাক্লে। ইন্দিয়াগী মনুংদা থাজদ-থাজদনা বি জে পিগী লৈঙাক লাক্লে।

অনৌবা শক্তম, অনৌবা লাঞ্জং মথং মথং চত্থরক্তুনা মণিপুরদসু থবক ওইনা পায়খৎলক্লে। মসিগী মনুংদা বি জে পিগী খুঙ্গং চৎলু, চীংদা চৎলু কয়াদা ফজখ্রবা অনৌবা লাঞ্জংনো। অসুম্না চহী মঙা হৌখ্রে। চহী মঙাসিদা মণিপুরদা অওনবা অহোংবা করিবু উবীরবগে? বি জে পিগী ৱাহৌদোক কয়াদা ফজৈ। চীংগী লমদমদা মীয়াম্না চৎতুনা উবমক ফংদ্রবসু ঙসিগী মণিপুরগী মীয়াম্না ইখঙ খঙনরবা বি জে পিগী খুঙ্গং চৎলু হায়বসি কদায় য়ৌনা মায় পাক্লবগে? খুঙ্গংগী লমলেম লম্মাং পূম্নমক মফম খুদিং পিকশিল্লক্লে। অহাঙবা মফম খুদিংমক নক্ল-নক্লবশিংনা খোপচিন্নখ্রে। খুঙ্গংগী লম্বী খুদিংমক খোপচিন্নখিবশিংনা গাড়ী অনী থৈনবা য়াদ্রে। মপূং ওইনা খুঙ্গং খুঙ্গংদা ঙসিদি জীপ কার মখল মখাগী গাড়ী মশীং খঙদনা লৈনরে। অসিগুম্বা মতমসিদা খুঙ্গং চৎলু হায়বসি তশেংনমক লৈঙাক্কী পোলিসি তাবদা ফজৈ, থবক ওইনদি হীরম খুদিংমক্তা করিসু অহোংবা, অওনবা পুরকপগী মহুত্তা খুঙ্গং খুদিংমক্কী লম্বী নোংম-নোংমগী পিকশিল্লক্লিবশিং অসিগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা? থম্মোয় শেংনা মীয়ামগীদমক খল্লবদি বি জে পিগী খুঙ্গং চৎলুদা মতম মতমগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা খুঙ্গংদা লাকপদা মরী লৈনবা এস দি সী, এস দি ওনচিংবা লোয়নরক্তুনা লম খোপচিন্দুনা চেক্কী য়ূম শাজিল্লক্লিবসি মতম চানা থিংবীহৌদ্রবদি মৈরিক্তগী মৈজাও ওইরক্লবগী পোরম য়াৎপা ওইনা থোক্লোইদ্রা? মসিগী মথক্তা চীংগী লমগী লম্বী থোং কদায় ফাওবা শেমজিনবীখ্রবগে? ৱাহং মশীং খঙদনা থোরক্লি, ৱাহংগী পাউখুমদা মমৈথংদা থাজ-থাজদ্রবা থৌদোক ৱাথোক মশীং খঙদনা থোক্লবগী পোরম বি জে পিনা শিনবীগনু। খুঙ্গং চৎলু হায়বদা খুঙ্গংগী লম্বী থোং, ইথৈ লৌখোং য়াম্না কূপ্পা এস দি সী, এস দি ও অমিননচিংবা পূন্না পূন্না লাকপীদুনা হেন্না কূপ্পা য়েংশিনবীবগী মহুত্তা মীয়াম তিনবা মতমদা ফজ ফজরবা ৱাঙাঙ পীবনদি চাওখৎপা পুরকপা খক য়াররোই। ঙসিদি থিওরিগী মতম লোইখ্রে। থবক ওইনা পায়খৎপা মতমনি। খুঙ্গং চৎপা তারবদি খুঙ্গংদুগী অহল-লমন, লৈকায়গী লুচিংবশিং য়াওরগা লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোংগী মরমদা খঙবশিং পুরগা লম খোপচিনবশিং তকথোকহৌবা দরকাররনি। ঙসি খুঙ্গংগী প্রধান, মেম্বরশিং অয়াম্বা চহী ২০/৩০গী লম্বীগী ফীভম খঙদ্রবা, ইংলিস/মৈতৈলোল পাবা-ইবা থোক্তবশিংনা মেম্বর প্রধান ওইরগা করম্না খুঙ্গংদুগী লম্বী থোং, ঈথৈ, লৌখোং খঙবা ঙমগনি। মরম অদুনা খুঙ্গং চৎপা তারবসু এস দি সী, এস দি ও, অমিন য়াওনা খুঙ্গংগী মেপ পুরগা অরানবা অশোয়বশিং মরী লৈনবশিংনা চুমথোকপীরবদি খুঙ্গং চৎলুবগী ৱাহন্থোক ফজনা লৈগনি। ঙসিগী এস দি সী, অমিন মান্নরগা লমগী অশাবা পাট্টা পীবীরিবশিং চ্যেক তৌবীয়ু। হীরমসিগী মতাংদা খুদম চাংদম ফজনা মতিক চাবা প্রমানগা লোয়ননা অশাবা পাট্টা পীরম্বা মরী লৈনবশিং দন্দি পীবিরবদি খরদং ওইরবসু খুঙ্গং চৎলু হায়বগী ৱাহন্থোক লৈগনি।

খুঙ্গংগী মীয়ামদা অনৌবা পাড়া খরসু তন্বীরম্মু। মদুগী মহুত্তা লৈঙাক্কী ফজ-ফজরবা পোলিসিশিং মপান্থোংগী ইথক ইরাংদা থবক পায়খৎপীগনু। খরদং পঞ্জরিবসি পাউচেগী পংই ইবা ওইনা লৌবীগনু। পাউচেসি ঙসিদি মীৎ-নাকোং য়াম্না শিংনরবনি। এস দি সীগী অমদি অমিনশিংগী শেন্দানফম ওইনা ওন্থোকপসিদি মমৈথংদা খ্বাইদগী চাউরবা দশা তামিন্নগনি খল্লি। অশাবা পাট্টা পীরম্বা মরী লৈনবশিং বি জে পিগী লৈঙাক্লা অচুম্বা খরদি পায়খৎপীরম্মু। বি জে পি লৈঙাক্লা অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা অচুম্বা অশেংবা থবক ওইনা পায়খৎপীরম্মু। চীংগী অমদি তমগী মীয়ামগী থাজবশিং মপূং ফাহনসি। নুমিৎ তাবা নাইদ্রবা মতম অমগী থাজ-থাজদ্রবা পুৱারী ওইনরিবা কয়া মাঙখ্রে। শম্না হায়রবদা কোংগ্রেসনা শাংলবা চহী কয়াগী লৈঙাক মুত্থিবশিং পাড়া ওইনা খনবীয়ু। পোলিটিক্সতি মুৎপা, শিবা নাইবনি। চহী মতম শাংদ্রিঙৈ অরানবশিং চুমথোকপীরবদি মীয়ামগীসু, পোলিটিকেল পার্টিশিংগীসু মায় পাকপা ওইগনি। মীয়াম মায় পাকপনা পোলিটিক্সসু মায় পাকপনি। অচুম্বগীদমক অশেংবগীদমক থম্মোয় শেংনা কত্থোক্লসি, থবক্লা খুদম চাংদম ওইহল্লসি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## নোংঙাল্লে য়াহৌরসি সলাইচা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ৱাখলনবু চেৎনা নীংলবদি ওইদবা লৈতে হায়নবা লৈরি। অদুঙৈ কনাগীসু মখা পোন্দনা মরম খিবিক্তা নীংখা তম্না চহী লিশীং অনী হেনবগী পুৱারী লৈজবা মৈতৈ ফুরুপনি। মৈতৈ ঐখোয়গী লাইনীং লিচৎ, ঐখোয়গী ময়েক, ইনাক খুল্লবা ঐখোয়গী ইমালোল, ঐখোয়গী ইনাৎ-চৎনবী, থকসি-খাসি, য়ুম্বাল-কৈবাল ফুরুপ কয়াদগী ইতোপ-তোপ্পা লাইমক্কী চাদা-নাউদানি মৈতৈ ঐখোয়সে। অদুবু লাইবক থীবা থৌদোক হায়গদ্রা নৎত্রগা লাইগী নোংদম হায়গদ্রা ময়াং লাইনীং শন্দোকপা লাকখিবা শ্রী বিষ্ণু গোসাইগা মোরাম নিংঙোল নুংথেল চাইবী (চীংমী নিংঙোল) অনীনা অরোনবা মরী থমদুনা পোকখিবা গরিব নিৱাজ গোসাই (পামহৈবা) মতাংসিদা পুয়ানা অসুম্না শৈথারি - 'হৌগদবা তুবি লিকলাই মরূদি হৌখিদ্রে, হৌরোইদবা শেংবী মুকাকলৈ মরূদি হৌখ্রে" হায়বা ৱাহৈসি শ্রীবিষ্ণু গোসাই অমসুং নুংথেল চাইবীনা গরিব নিৱাজ গোসাই (পামহৈবা) পোকখিবগী মতাংদনি। গরিব নিৱাজ গোসাইনা নিংথৌ ওইনা কংলাদা পানখিবা নুমিৎতগী মৈতৈ লাইনীংগী নুমিৎ তাবা হৌরকখি। গরিব নিৱাজ গোসাই (পামহৈবা) মশানা ময়াংগী ঈনি হায়বসি খঙলমদে। অশেংবা মৈতৈ মচা অমগুম মৈতৈ নিংথৌ অমগুম মৈতৈগী চৎনবী কাঙলোন, লাইনীং লাইশোন পূম্নমক ঙাক্তুনা পাল্লম্মী। খৃ: ১৭১৬তা শান্তিদাস গোসাই মৈতৈ লৈবাক্তা হিন্দু লাইনীং শন্দোকপা লাকখি। খৃ: ১৭২০দা শান্তিদাস গোসাই নিংথৌগী পাউতাকলোই ওইখি। মহাক্না গরিব নিৱাজ গোসাইগী (পামহৈবা) মপা-মপু অমসুং হৌরকফম ৱারী পূম্বা লীদুনা তাহনখি। মহাক্কী মপা শ্রী বিষ্ণু গোসাইনি অমসুং মমা মোরাম নিংঙোল নুংথেল চাইবীনি হায়বা খঙখি। শান্তিদাস গোসাইনা গরিব নিৱাজতা মপাগী লাইনিং ঙাকউ অমসুং মপাগী লাইনিং চৎলু লোয়ননা নঙগী প্রজাশিংসু চৎহল্লু। মসি নহাক্কী তৌফম থোকপা থৌদাংনি। মসি নহাক্না ঙাকত্রবদি নপা-নপু পৃতিলোকতা, নোরোক্তা তাগনি হায়খি।

গরিব নিৱাজ গোসাই অমসুং শান্তিদাস গোসাই ৱাখল-পুকচেল চপ মান্নরা য়ানখ্রে। খৃ: ১৭২৯, ৱাকচীংগী ২৩নি পানবা, শগোলশেল নুমিত্তা মৈতৈ পুম্বা হিন্দু লাইনীং চৎলু য়াদে হায়দুনা মৈতৈগী পুয়া মৈ থাখি। মৈতৈ ইচে-ইচল কয়ানা তেংথাখি - "ইপাম মৈ হৌরে, পুয়া পূম্বা চাকখ্রে, লৈবাক নিংথৌ লৈতরে, ইদু নিংথৌ লৈতরো, খাম্বী মৈ কল্লো" ইপু লৌরেম্বম খোংনাং থাবা লাক্তুনা পুয়াশিংগী মমিং মথা কৌরগা মায়কৈ মরিদা চৎলো হায়বদা পাইরগা চৎখি। লাইগী নোংদম ওইবনা ককপদি ঙমখিদে। পাইখিবা পুয়াশিংদো হয়েং মতম চারগা নহনফমদা হল্লকউ য়াথং পীখি। গরিব নিৱাজ গোসাই অমসুং শান্তিদাস গোসাইগা মান্নরগা মৈতৈ লৈবাক মথক-মখা ওনখরে। পাখংবগী খুভম য়ারম্বা মফমদা মহাদেব থল্লম্লে। লমগী মমিং অমসুং মীগী মমিং ময়াংলোলদা ওনখ্রে। মৈতৈ পূম্বা লিৎথোক্তুনা চেনবা ঙমদনবা হিন্দু লাইনীং চৎনবা লৈকায়-লৈকায়দা ব্রাহ্মণগী লাইশঙ লিংদুনা কনানা করি শরৌ চৎপা ব্রাহ্মণনা নিংথৌদা পাউ পীদুনা হাৎপা, ফূবা, চৈরাক পীবা কয়া চথদুনা লাকখ্রে। মৈতৈ ইপা-ইপু, নুপীজা কয়া হিন্দু লাইনীং চৎতুনা মীখা পোনগদবগী শরুক নিংথৌগী অকনবা চৈরাক্তা শিজখিগে হায়দুনা মৈতৈ লিশীং কয়া নোক্ল-নোক্লা মথৱায় থাখি। মীওই কয়াদি মোরোক মৈ থাদুনা ফূদুনা, থাঙনা য়ান্দুনা, ঈশিংদা নূঙদুম য়ান্দুনা অঙক-অঙকপা মীওৎ-মীনৈদা য়াইবী মাঙখি। মতমদুগী সলাইচাশিংনা অসুক মীওৎ-মীনৈ মরক্তা লাইনিংথৌবু য়াইবীরেনগুম নীংজবশিংনা মৈতৈ য়ূমথোঙ খুদিংদা শন্দোং কাচিনদা লাইনিংথৌগী মফমনি হায়দুনা শক্তম লাৎতনা খুভম থমনখি অতোপ্পা কনা খঙদনবা লোৎনা। অদুননি মৈতৈগী য়ূমদা ময়াং ব্রাহ্মণ চঙহন্নরমদ্রিবা, গরিব নিৱাজ গোসাই অমসুং শান্তিদাস গোসাইগী মীওৎ মীনৈ অসুম অসুম হোনজিল্লক্তুনা মথৱায় মাঙবা কিবা মতমদুগী ইপা-ইপুশিংনা নখোয়দা হিন্দু লাইনীং চৎলু হায়রবনিনা ঐখোয় পুন্সি চূপ্পগী হিন্দু লাইনীং চৎপদি ঙমজরোই, ঐখোয় চারোন তরেৎ ফাওবদি হিন্দু লাইনীং চৎচগে। চারোন তরেৎকী মতুংসিদি হিন্দু লাইনীং থাদোক্তুনা ইপা-ইপুগী লাইনিংদা হনজিনজগে হায়না নোংখ্রং পাম্বী পায়রগা ইরুপ্তুনা য়ানখি। অদুদগী চারোন কয়া মৈতৈনা হিন্দু লাইনীং চৎলকখি। অদুঙৈ মৈতৈগী ইপা ইপুশিংনা মৈতৈ লাইনীংবু অদুক্কী মতিক চেৎনা নীংলগা হিংখিবা অমসুং শিখিবা অদুনা ঙসিদি মৈতৈ লাইনীং নোংঙাল্লে চারোন তরেৎকী মতুংদগী। লাইগী শীংকক থাখিবা মতম লোইখরে। হিন্দু লাইনীং, ময়াং লাইনীং চৎপা নামুংবা মতমনি, নামুংবা থোক্কনি হায়দুনা ইনিংথৌ বোধচন্দ্রগী মচাইবুংঙো ওকেন্দ্রোনা খঙল-উরদুনা খৃ: ১৭৫৮ অদুৱাইদা মৈতৈ ইপা ইপু অমসুং গরিব নিৱাজ, শান্তিদাস গোসাইনা হিন্দু লাইনীং চৎনবা অদুঙৈ নোংখ্রং ইরুপখিবা অদো হন্দোকচরে হায়দুনা মশামক হিন্দু ধর্ম্ম থাদোক্তুনা মৈতৈ লাইনীংদা পরৈ হনবা থৌরম পাঙথোকখি।

মৈতৈ মচাশিং ইপা ইপুগী লীল্লম ৱাখল লাকত্রি, তৌশিন্নরম্বদগী চুখিদুনা মীপোৎপু ইপোৎনি চেৎনা কোল্লিএ। মশামক মাঙবতা নত্তনা মৈতৈ খুন্নাইবুসু মাঙহনবগী মরমদি ওইবীনু। মশাগী লাইনিং লিচৎ লৈত্রগা মীগী লাইনীং ৱাইবদি য়াই। মশাগী লাইনিং লৈনা লৈনা মীগী লাইনিং ৱাইবদি লাই মীরাইবগী মহয় ফংগনি। মৈতৈ ফুরুপ্তা তিল্লবা ব্রাহ্মণ মশীং লিকচরবসু মশাগী লাইনীং ঙাক্লা হিংলি। মৈতৈনা মশাগী লাইনিং থাদোক্তুনা ব্রাহ্মণগী মপা-মপুগী লাইনীং মতুং ইল্লি। মৈতৈ পাঙলসু মশাগী লাইনীং ঙাক্লা হিংলি। অচুম্বা অফবদি তমশিনবা হৈতে। পুয়ানা অসুম্না থন্বীরম্মী- মশাগী হৌরকফম, হৌফম-শাৎফম খঙদবা মীওইদি তুবি খয়াৎতা তাগনি, কংলাশা মমাঙদা ঙাখা শংবাই অমা হৈদোক্কনি। চারোন তরেৎকী মতুংদগী মৈতৈ পানাউ-শিংনাউ তাররোই, শাগৈ মুৎপা হায়বা লাক্কনি। লমখাংদা পুন্সি লোমগনি, লুবাক মখুম নাইররোই, ঈনা ঈবু খঙলরোই পূম্নমকসি মপুগী নোংদমনি, মতমনা পুরকপনি, অচুম্বদি চুম্না অসুম্মক লৈগনি। অদুনা ইশাগী হৌরকফমদা হঞ্জিন্দুনা অমসুং ইপা-ইপুগী লীল্লমদা চত্তুনা মৈতৈ সলাইচা পূম্বা ইশানা ইশাবু কঞ্জরসি।

হৈ হৈয়া হৈয়ুম।

*অদোমগী - বোইচা খুমন*
কছার, লখিপুর, অসাম

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST**

**/ NOTICE FOR OBJECTION**
**Dated, the 24-08-2022**

**No.1/prop/SR/2021(IE):** It is hereby notified for general information, that an application has been received by this office from the **"Future Football Coaching Centre Angtha"** on 24/08/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rule, 2004 within the area of operation of Angtha Mayai Leikai, Imphal East District.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhar of the complainant or Secretary with seal for Assn./NGO/Orgn) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **S. Mahendra Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.

HL-P/3947/26

**MANIPUR POLICE HOUSING CORPORATION Ltd.**
**(A GOVT. OF MANIPUR UNDERTAKING)**
**IMPHAL, MANIPUR**

**/ NOTICE INVITING e-Tender**

The Executive Engineer-I, MPHC Ltd. Imphal, invites on behalf of the Managing Director, MPHC Ltd. online item rate bids in two bid system for the following work.

1. No. e-tender 02/EE-I/MPHC/2022-23 dated 25-08-2022 Name of Work:- "Establishment of Major Khathing Museum at Mantri Pukhri, Imphal" Estimated Cost:- Rs. 1,84,61,975/-, Earnest Money:- Rs. 3,70,000/-. Period of completion 12 (Twelve) months. Last date of submission of bid 1300 hrs of 05/09/2022.

2. No. 2-tender 03/EE-I/MPHC/2022-23 dated 25-08-2022, Name of Work:- Construction of City Police Station, Imphal (G+3) Building (Phase-I, Ground Floor)". Estimated Cost:- Rs. 2,42,22,770/-. Earnest Money:- Rs. 4,85,000/-. Period of completion 10 (Ten) months. Last date of submission of bid 1300 hrs. of 05/09/2022.

The bid forms and other details can be obtained from the website www.manipurtenders.gov.in

Sd/- **A. Radhakrishna Singh**
Executive Engineer-I
MPHC Ltd.

HL-B/7813/26

**WANTED TEACHERS FOR A REPUTED COACHING CENTRE AT IMPHAL**

| Subject | Class | Qualification |
|---|---|---|
| 1. Mathematics | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 2. Hr. Maths | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 3. Physics | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 4. Chemistry | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 5. Biology | (11 & 12) | M.Sc. B.Ed. |
| 6. Home Sc. | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 7. Biology | (9 & 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |
| 8. Mathematics | (6 - 10) | B.Sc. / M.Sc. B.Ed. |

*** Preference is given to in service teachers.**
**FRESHERS ALSO CAN APPLY.**

**Contact : 9612441824 / 7628946313 / 8732022342**

HL-P/7808/23-30

**IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE (SENIOR DIVISION), IMPHAL WEST AT LAMPHELPAT**

Execution Case No. 7 of 2022
**Reff:-** Judgement and Decree dated 25/11/2019
Passed in Original (Money) Suit No. 56 of 2019

Shri Naoroibam Kunjeshwar Singh aged about 53 years S/o (Late) N. Kamdar Singh, a resident of Sagolband Tera Loukrakpam Leikai, P.O. Imphal, P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur.

**...Decree Holder**

-Versus-

Smt. R.K. Sangita Devi, aged about 49 years W/O (Late) Maibam Jiten Singh, a resident of Uripok Yambem Leikai, P.O. Imphal, P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur at present Langol Game Village Zone-II, House No. 171, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur.

**...Judgement Debtor**

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C.**
**SUBSTITUTE SERVICE**

To,

Smt. R.K. Sangita Devi, aged about 49 years W/O (Late) Maibam Jiten Singh, a resident of Uripok Yambem Leikai, P.O. Imphal, P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur at present Langol Game Village Zone-II, House No. 171, P.O. & P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur.

WHEREAS, the above name Decree Holder has filed an execution case against you under Order XXI Rule 11 CPC of the Decree dated 25-11-2019 in Original (Money) Suit No. 56 of 2019. So, you are hereby summoned to appear before this Court in person or by a pleader duly authorised by law on your behalf on 21st day of Oct., 2022 at 10.30 a.m. to show cause as to why execution should not be granted.

Given under my hand and seal of this court on this 20th day of Aug., 2022.
Seal

By: **Kh. Ibochoubi Singh**
Advocate
HL-P/3939/26,27

Sd/- **Nepram Sonykumar**
Civil Judge (Senior Division),
Imphal West, Manipur

**/ লৌফম অমা য়োঞ্জরি**

ঐ ইশাগী মিংদা লৈবা লৌফমদগী ইঙ্খোল ওনখিবা ইঙ্খোল .60 চাওবা অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। মফম্না (২৯) নুঙ্গাই, কোইলাস রোদকা তাইনবা Uyumpok, Imphal Road নি। দুকান পরেং শাংনা শাবা য়ারবা ফজবা মফমনি। কনাগুম্বা পাম্বীবশিংনা মখাদা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/3819/26,28,30 **# 8414834748**

**/ ORIGINAL MARKSHEET LOST**

I have lost my Original Marksheet of Class-XII (Arts) bearing Roll no. 2157 of 1997 issued by Council of Higher Secondary Education, Manipur on the way from Keithelmanbi to Imphal on 22/8/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/3949/26 Sd/- **Moirangthem Buddha Singh**

**/ ফোঙজরে**

মঙাংচা কৈসাম ইবোমচানা ইবা "লাইনিংথৌ সনামহি" মিংথোনবা (অলমাইটি গোড), নেচরেল অমসুং লাইফ সাইন্সতা (কাঙলোন)দা নৈনবা লাইরিক অসি ইমা লৈমরেল সিদবীদা থৌনিজবগা লোয়ননা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডকী ঙমথং লুচিংবা সেঞ্জমচা ৱাখল লমজিংবনা লাইনিংথৌ সনামহি লাইবুংদা চৈচৎ ২৫/০৮/২০২২দা ফোঙদোকখ্রে। লাইরিক অসি য়ূম পানদ্রিবা অমদি নৌনা য়ূম পাল্লবা নুপা-নুপীদা কান্নগদবা কাঙলোন খরসু থেংনবীগনি।

**লাইরিক অসি মখাগীসিদা ফংবীগনি ঃ**

কৈসাম ইবোমচা কৈসামপাৎ কৈসাম লৈকাই কৈসাম মার্ট ওপোজিট ইন্ফাল কলেজ, নমাইরাকপম হেলেন্দ্রো, সনামহি টেম্পল বোর্ড।

HL-P/3955/26 **হায়জরিবা : মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা**

**/ থবক কৌজরি / EMPLOYMENT NEWS**

মশাগী চহী ১৮ দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা নুপা অমদি নুপীশিংনা apply তৌবীবা য়াগনি। ফমশিং অদুদি Security, Cook, Chowkidar, Gym Trainer (M/F) হায়রিবশিং অসি অথুবগী ওইনা কৌজরি।

Helper (Up/Down) অদুগা লেকপ-চাবগী ওইনদি তলব লিশিং ১০ (10,000/-) দগী হৌজগনি। পাম্বীবশিংনা মশাগী Aadhaar Card অমসুং Educational qualification support তৌবীরকউ।

Sd/- **Social Security Guard**
**Uripok Laikhurembi**
**Phone : 6009600647 / 7629835413**

HL-P/3952/26

**ইয়াম্বা সুধাকরবু হরাওবা ফোঙদোকচরি**



সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা মমিং লৈরবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্ডী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানুপা ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকর, হার্বেল ফিজিসিয়ন স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোননা ওজাগী মহুৎ শিন্দুনা ঐবু লায়েংবীবদগী ঐগী য়েৎ থংবা ঈশিং মরীদা 7.3 mm চাওবা নুঙ অদু তাহনবীখ্রে মসিদা হরাওমনখিদুনা ঐনা ইয়াম্বা অসিবু পাউচেগী থোঙদা হরাওবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Dayananda Kh.**
Keinou Bazar

HL-P/3950/26,27,28

No. 8/SDC/SLG/IE/certf./2017/
**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST MANIPUR**

**TO WHOM IT MAY CONCERN**
**/ Legal Wife Certificate**
Sagolmang, the 25th August 2022

This is to certify that Smt Thangjam Ibetombi Devi W/o late Thangjam Maimu Singh resident of Haraorou Mamang Leikai, under Sawombung Sub-Division Imphal East District Manipur P.O. Pangei P.S. Sagolmang.


Shri late Thangjam Maimu Singh who was the pensioner bearing PPO No. SM 111708842 was expired on 16/04/2017 due to illness and Smt. Thangjam Ibetombi Devi was the only legally married wife.

If anybody regarding the claim/objection may kindly report to the office within 7 (seven) days from the date of publication of this notice. Office will not accept any complain beyond this period and resume further process. He/She is not related to me.

**Sd/- Sh. Rajmohon Singh**
**Sub-Deputy Collector, Sagolmang**

HL-P/3737/26

**/ দশা য়েংজরি**




চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/7793/11/8-11/9

**/ করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা পূক কংখৎপা পূক চপ তিংবা, য়েৎকী শাগন নাম্মা অসি হাইদোক-হাইজিন তৌবদা ৱাবা, খোঙ-খূৎ শজিং তোয়না হৌরগা খূৎ-শা অসি ইনোপ্তা নোপ্লগা লৈবা, নাংকোং ঙংবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, চারগা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা, পূকচেপ নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা গ্যাষ্ট্রিকনা মতম কুইনা নাদুনা করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদা পূক কংখৎপা চপ তিংলগা লৈবা, চাবা-থকপসু য়াদবা, খনাউদা ইথন্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, য়ারোমদা তোয়না-তোয়না খেগৎলকপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ ফজনা চৎখিবা তারগদি পূক্তা তৌরিবশিং খরা নুংঙাইবা, য়েৎকী শাগন অসি হাইদোক-হাইজিন তৌবদা নুংঙাইতবা, খোঙ-খূৎ শজিং হৌরগা খূৎ-শা অসি ইনোপ্তা নোপ্লগা নুংঙাইতবা, পোৎ অমা পায়বদা তাখিবা খঙহৌদবা, অমুক খূৎ-শা অসি করিসু তৌদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাল্লগসু হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ অকনবা খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, খোঙ শেংনা হামদোক্তবনা মরম ওইরগা পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা প্রিক-প্রিক খোংবসু হেনবা, খোঙ শেংনা হামদোক্লনবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা গ্যাষ্ট্রিক কাবা হেনবা, পূকচেপ নাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা হৌগৎপা মতমদা কল্লাক মরী নাবা, ঙকশম মরী নাবা, নময়াং মরিন নাবা, খোঙয়া শাবা, ফম্বী থুনা-থুনা চৎপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **N. Deben Singh**
Wabagai

HL-B/7796/26

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।